# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাদগী ড্রগ লল্লোনবা মীওই অনি, হিরোইন পাউদর কিলোগ্রাম মরি হেনবগা কোন্ননা ফারে।

২) কাংপোকপী জিলাগী সোংজাং এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংবা ঙমখ্রে।

অমসুং

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা তেরোরিজম মপুং ফানা মুত্থৎতুনা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা সরকারনা থৌরাং কয়া পাখৎলি।

**------**

ড্রগ (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাদা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা ড্রগ লল্লোনবা মীওই অনি, হিরোইন পাউদরগা কোন্ননা ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- জিলা অসিগী মৌকোত ভিলেজ অমদি সিংঙাতকী অকোইবদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমদি দাইরেক্তোরেট রেভিন্যু ইন্তেলিজেন্সকী ওফিসিয়েলশিংগা পুন্না থি হুম্বগী থবক চত্থখি। মদুদা মীওই অনি হিরোইন পাউদর কিলোগ্রাম ৪ গ্রাম ৩০০ গা কোন্ননা ফাখিবনি। ড্রগশিং অদু সোপ কেস ৩২০ দা হাপ্লম্বনি হায়রি। মখোয়না ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবদা শিজিন্নবা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা অমদি চাকা অনি পানবা গাড়ি অমসু ফাগৎলে।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মখা তানা থিজিন্নবগীদমক দাইরেক্তোরেট ওফ রেভিন্যু ইন্তেলিজেন্সনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা, জিলা অসিগী থিংহংজাংগী চীংদা লম একর ২০ দা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং সেকুয়রিতি ফোর্স অমদি ফোংরেষ্ট বিভাগকী কাংবুনা য়াম্থৎখ্রে। মফম অদুদা লৈরম্বা শঙ অনিসু মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং, মরুওইনা চীংগা তাইনবা অমদি ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদা সেকুয়রিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- কাংপোকপী জিলাগী সোংজাং এরিয়াদগী ঙরাং সেকুয়রিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৌখৎপা ঙমখ্রে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা লোকেল মেদ পোম্পী ৩, মেগজিন য়াওবা এক্সকলিভর রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওনা লোকেল মেদ পোইন্ট টু টু পিষ্টোল অনি, লোকেল মেদ তুয়েল্ব বোল্ট এক্সন রাইফল ১১ অমদি নোংমৈ মরুনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, ইন্তেলিজেন্সকী অককবা পাউ ফংবদগী মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা অমদি আইন্না য়াদবা থবক থৌরমশিং তৌবা মীওই কয়াসু সেকুয়রিতি ফোর্সনা ফাগৎলে হায়রি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সেকুয়রিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই অহোংগৈদগী ফাগৎখি। মীওই অসি জিলা অসিগী উয়ুমপোক মনিং লৈকাইদগীনি হায়রি।

নুমিৎ অসিমক্তদা মণিপুর পুলিসনা নোংমৈ লল্লোনবা মীওই অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কাইরং মখা লৈকাইদগী ফাগৎখি। ফারবা মীওই অসি কামজোং জিলাগী পুংপুন ভিলেজদগীনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়- জিরিবাম জিলাগী লতিংখাল পার্ট টুদগী মীওই অমা লোকেল দি.আই.দি লিকর অমদি ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকরগা

কোন্ননা ফারে। মঙোনদগী দি.আই.সি লিকর লিতর ২০ অমদি তোঙান তোঙানবা মখলগী ব্রান্দকী ফোরেন লিকর বোটল ৪৪ ফাগৎলে হায়রি।

গম্ভির সিংহ (এল)ঃ ১৯২ শুবা মহারাজ গম্ভির সিংহ লৈখিদবগী কুমওন থৌরম ঙসি লংথবালদা লৈবা মহারাজ অসিগী সমাধিদা পাঙথোক্কনি। রাজ্য সরকারগী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী ষ্টেট আর্কিওলোজিনা শিনবা থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমসুং চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল শরুক য়াগনি।

মহারাজ গম্ভির সিংহগী ফোটোদা লৈ কৎপা, গার্দ ওফ ওর্নর, গন সেলুট, মহারাজ গম্ভির সিংহ, মৈদিংঙু নরাসিংহ অমসুং সনা হেরা চন্দ্রগী মুর্তিদা লৈ কৎপা অমদি তর্পন কৎপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

এআর(এল)ঃ নোনে জিলাদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কম্পনি কম্মান্দরশিংগা খুলগী মীওইশিংগা উন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা খৌপুম ভেল্লিগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, মহৈরোইশিং, ওজাশিং অমদি অতৈ খুঞ্জা কয়ানা শরুক য়াখি।

নেসনেল ইন্তিগ্রেসন টুরদা লৈরিবা অরুনাচল প্রদেশকী মহৈরোই অমদি ওজাশিংগা ঙরাং রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়- মেচুখাদা লৈবা গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই অমদি ওজাশিংগী কাংবু অদু নেসনেল ইন্তিগ্রেসন টুরগীদমক থা অসিগী ৫ দা অরুনাচল প্রদেশ থাদোকখিবনি। মখোয় দিল্লি, পুনে অমসুং মুম্বাই কোইরবা মতুংদা ইতানাগরদা অমুক থা অসিগী ১৬ তা হল্লক্কনি। পাউ অসিনা হায়- অসিগুম্বা ইজ্কেসনেল টুর অসিনা ঙমখি পরিংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংদা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং নাগালেন্দগী পেরেন জিলাদা লৈবা গাইলি ভিলেজদা ৬৩ শুবা এন্যুএল স্পোর্টস কম এথলেটিক মিট

পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু গাইলি য়ুথ কাউন্সিলগা পুন্না শিন্দুনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

কনফরেন্স (এল)ঃ মোন্সাং নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ৫৭ শুবা জেনেরেল কনফরেন্স ঙরাং চান্দেল জিলাগী লিৱা খুলেনদা হৌদোকখ্রে। নুমিৎ মরিনি চুপা চথুগদবা কনফরেন্স অসি থ্রাইভ থ্রু চেলেঞ্জেস হায়বা থিমদা পাঙথোকপনি। কনফরেন্স অসিগী মনুং চন্না নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ, লিটররি সেসন অমদি অতৈ থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি হায়রি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা তেরোরিজম মপুং ফানা মুথৎতুনা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা সরকারনা কন্না হোৎনরি।

জম্মু অমস্ং কাশ্মীরগী হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতিগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা মীফম অমদা সভাপতি ওইনা শরুক য়ারদুনা শ্রী সাহনা হায়- তেরর ওপরেসনশিং লাকশিনবা, তেরোরিষ্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মাংহনবা অমসুং তেরোরিষ্টশিংদা শেল থাদবা থিংননবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা খোঙথাং কয়া পায়খৎলকপদগী জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা তেরোরিষ্টকী থৌওংশিং লাকশিনবা ঙমলে।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী সেক্যুরিতি ফিভম লাকশিন্নবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংনা লৌখিবা থৌদাংশিংবুসু শ্রী সাহনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

রেলৱেঃ কেন্দ্রগী রেল মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- চহি অসিদা রেলৱেজগী লমদা চাউনা অহোংবা পুরকবগী খোঙথাং কয়া পায়খৎনবা ৱারেপ লৌরে।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা মীফম অমদা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মীফম অদুদা শ্রী বৈষ্ণোগা কেন্দ্রগী লেৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি সোমানন অমসুং

রফনেট সিংহ অমদি রেলৱে বোর্দকী চেয়ারমেন অমসুং সি.ই.ও শতিস কুমার য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- চয়োল ৫২ গী মনুংদা রেলৱেজগী সার্ভিসশিং হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক্তা রিফোর্ম ৫২ পায়খৎলগনি। মসিগী মনুংদা পেসেঞ্জরশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা, এ.আই অমদি অতৈ টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা পেসেঞ্জরশিংদা অফবা মখলগী সার্ভিসশিং পীবা য়াওনা অতৈ খুদোংচাবা কয়া য়াওরি।

দাইলোগ ঃ ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ ২০২৬ কী অনিসুবা ইদিসন ঙসি নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা হৌদোক্লগনি। থৌরম অসি থা অসিগী ১২ দা লোইশিনগনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়- মীফম অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা শিংনবা কয়া মায়োকদুনা অফবা তুংগী লাইবক লেপ্পদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

টেক্সতাইলস ঃ নুমিৎ নিনিগী ওইবা নেসনেল টেক্সতাইলস মিনিষ্টরস কনফরেন্স ঙসি লোইশিল্লগনি। মীফম অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদগী লাকপা টেক্সতাইল মন্ত্রিশিং অমসুং মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়ারি। মখোয়না মীফম অসিদা ভারতকী টেক্সতাইল সেক্তরবু হেন্না চাওখৎহন্দুনা ভারত অসি মালেমগী টেক্সতাইলগী হব অমা ওইনবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। মীফম অসি কেন্দ্রগী টেক্সতাইলস মন্ত্রালয়না শিনবনি। লৈবাক অসিদা টেক্সতাইলগী উদ্যোগ হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা কেন্দ্র অমসুং রাজ্যশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংসু মীফম অসিদা খন্নগনি।

মীফম অসিগী ঙরাং হৌদোকপা নুমিৎতা কেন্দ্রগী টেক্সতাইল মন্ত্রি গিরি রাজ সিংহ, মধ্য প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মোহন য়াদব, টেক্সতাইলগী রাজ্য মন্ত্রি পবিত্রা মারঘেরিতানচিংবা মীওহ কয়া শরুক য়াখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সরকার শেম্বগী মতাংগী পাউ, বফর জোনগী মতাংদা এম.পিগী ৱাফম অমদি কাংপোকপীদা নোংমৈ কাপখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

ইন্দিয়াগী রিপাব্লিক ডে মমাংদা মণিপুরদা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্লবা য়ারি, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমদি বি.এল. শন্তোস গুৱাহাতিদা লাক্কুনা সি.এস.ও অমদি এম.এল.এশিং উন্নগদৌরি হায়বা পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংগী বেন্নর হেদলাইন তৌরে।

বফর জোনগী মতাংদা আর.টি.আই থাখ্রে, মীয়ামসু থোকপীরকউ হায়বা এম.পি. বিমোল অকোইজমগী ৱাফম পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

জেদ.য়ু.এফ অমসুং কুকি মিলিটেন্টশিং কন্না কাপখ্রে, জেলিয়াংরোংগী লমদা কুকি লেন্দ শেম্বা য়ারোই হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- মণিপুরদা থিয়েতরগী খোঙজেল তপথরকপগী মমি তারক্লি হায়বা অধ্যক্ষ সত্যবর্তাগী ৱাফম এনকর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- মীয়ামা মোইরাংপুরেলদা লৈবা সিফাইগী বঙ্কর অমা থুগাইখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলে।

নুপী অহুম ফি থোংদনা পুখিবগী কেসকা মরী লৈননা সি.বি.আইনা মীওই ৬ কী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী  অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লমজিংবা ফাইনান্সকী লন থুম ওক্সন তৌনবা কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

জপানদা থবক ফংলবা নহাশিংগা গর্ভনরগা উন্নখিবগী পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- এম.পি. বিমোল অকোইজমনা বফর জোনগী মতাংদা আর.টি.আই থাখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- খোংসাং পেসেঞ্জর ত্রেন অমুক হন্না চেনবা হৌখিবগী পাউ পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------